মতম মতমগী ৱাফম

# মমি শামথরক্লিবা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ হিংগৎহনবদা খুমন্থেম সুন্দরী



মতম অমা লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈ চন্দ্রনদি তুরেলনা লংথবান কোনুংগী নাকন্দা ইচেল কন্না চেল্লমখি হায়নৈ। লৈমা নিংথৌনা খঙবীখিবা লংথবাল কোনুংগী নাকন্দা চেনখিবা অপীকপা তুরেল মচানি চন্দ্রনদি । চন্দ্রনদি তুরেলনা ইচেল নাইরিঙৈ য়েল্লম্মী কাঞ্চিগী লৈহাউ লৈরেনগী লৈনমসু লংথবান শীনবা থুংনা। চন্দ্রনদি তুরেলনা ইচেল লেপখ্রবদা শৈরেংবা লমাবম কমলনা তেংথাখি । মহাক্কী খোর্জ্জেদগী থোকলকই তেংথা শৈরেং চন্দ্রনদি ।

কুমশীং ১৯৮১ মণিপুরগী নীংতম্বনা মাঙখিবা, মায়োক্লবা নীংতম্বগী লানফমদা বৃটিশকা মৈতৈ লান্মীগা অকনবা লানথেংনখিবা, পুৱারী তাঙ্কক অমগী মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোল থৌনা লীংজেলবু শৈথাদুনা অহানবা ঈশৈ ওইনা শমজেৎশাবম লৈনৌ (ধোবী লৈনৌ)না শকখিবা ঈশৈগী শৈশকপু ঙসি ঐখোয়না খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ হায়না খঙনরি। খোংজোম লানগী পরিংবুনি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ হায়না খঙনরিবসি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাংদগী মীয়াম্না পাম্না তানবা হৌরকখিবনা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুং কুমশীং ১৯৭০ অস্বাই ফাওবসি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক অসি মণিপুরগী মফম শীনবা থুংনা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ পাম্না তানখিবগী ৱারী ৱাখোং লৈখি।

লমদমসিদা খোংজোম পর্ব্ব শকচবনা শিনফম ওইবা লৈপাক্কী শক্লাইবা শৈশকপা শৈশকপীসু লৈখি। অঙম অথৌ, লৈপাক মীয়াম্না নুমিৎ কয়া থা কয়া কৌবীদুনা তানরকখিবা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ অসি চন্দ্রনদি তুরেলনা ইচেল লেপখিবগুম, মতম অমা ইচেল কন্না চেল্লমখি হায়নবগুম ঙসিদি মমি শাম্মি ঐখোয়না উরি, খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শোন্দম নাওদম্না তারি। চন্দ্রনদিগীদমক্তি ডা কমলনা তেংথাখি । লমদমসিগী খোংজোম পর্ব্ব অমদি পেনা ফমশক্লা ইচেল লেপখিবদদি তেংথাবীনবা খোর্জ্জে পায়বা ইয়াম্বা, ৱাকমা কনা অমত্তনা লাওরখিদ্রে ।

ঙসিদগী চহী কুন্থ্রাগী মমাংদা, ঈপাথৌকোক উরিপোক্তা লৈবা নাৎকী মশক য়োকখৎনবা হোৎনরিবা কাঙলুপসিনা ঙল্লিঙৈদগী ফেষ্টিভেল, সেমিনার কয়া পাংথোক্তুনা পেনা ফমশক অমদি খুল্লং ঈশৈ, খুন্নুং ঈশৈগী মফম কন্নবা কন্না হোৎনখি। খুল্লং ঈশৈ, খুন্নুং ঈশৈ হায়বসি পেনা ফমশক অমদি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ মখল অনীসিগী মনুংদা মফম চাউনা লৈবা, য়াওজবা শৈশক্লি। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ অসি অমুক মপুংদা পেনা ঈশৈনি । পেনা শৈশক্তগী খোংজোম পর্ব্ব শৈশক কয়া মাঙলমচৎকী অহল-লমনশিংনা শেন্থীখি। কাইনথংদা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা মনোহরসাই অমদি নট সংকীর্ত্তন শৈশকশিং ফাওবা খজিক খজিক য়ানশিনখি। ৱাফমসিমসিদি ৱাকশোর্প সেমিনার কয়াদা স্কোলারশিংনা ফোঙদোক্লখ্রবনি। ‘খোঙ্গুল লীবা’ হায়দুনা ডা.কে. সোবীতানা আর্ট অন্দ কলচরগী ডাইরেক্টরগী থৌ পুবীরিঙৈ মতমদা থবক খরদি পায়খৎপা হৌবীরমখি। থেঙনা পাঙথোকপা থৌরম ওইজরগসু খোঙ্গুল খরদি লীবীরমদুনা খোংজোম পর্ব্বগী মরমদা মচাক খরদি খোমজিনবা ঙমখ্রবনি। মসিনা চাউরাকপা ৱারীনি।

খোংজোম পর্ব্ব হায়বসিদা য়াওরিবা ‘পর্ব্ব’ অসি মীরোলদগী লাকখিবনি । ‘পর্ব্ব’ হায়বদি মথং মনাও নাইবা, অশাংবা পরিং চৎথরকপসিবুনি । খোংজোম লানগী পরিং শকপবু হায়বনি। মোইরাংগী ৱারী পরিংসু, নিংথৌরোলগী পরিংসু ধোল্লক অমা পায়রগা মী অমনা মথন্তনা পরিং নাইনা শক্লগদি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈনি হায়না খঙনৈ । মসি পৌনা য়েংলগা হায়বনি। কনাগুম্বনা খোংজোম পর্ব্ব হায়রগা মোইরাং কংৱৈরোল নৎত্রগা নিংথৌরোল শকই ওন্নৈ হায়বা ফাওবা য়াওরি। ৱাফমসিগী মতাংদসু কয়ারক অহল ইবুংঙো ওঝা মঙ্গোলজাওনচিংবা লৈরিঙৈদা খন্নখ্রবা ৱাফম্লি। হৌজিক্তি খোংজোম পর্ব্ব হায়বসি শৈশক মওং অসিবু খঙনবা ওইনা চৎনখ্রে। খোংজোম পর্ব্বদা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ, খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈদা নিংথৌরোল শৈশক অসুম্না ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা মচা খায়না খঙননবা লাওথোকপীরে। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ মশক তাকপদা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরকখি। হৌজিক খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শৈশক অসিবু মীয়ামদা তাবা ফংহল্লিবা অমদি অরিবা মতমগী মশক নাইখিবা ওঝাশিংনা শকপীখিবা ঈশৈ মখল খরা থিবা তারবদি ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা নৎত্তনা অতৈ মফমদা ফংবদআ ৱানা থোক্লগদবনি।

ঙসিদগী মতম খরগী মমাঙদা চাকচা হৈজনবদা, য়ূম শঙকাবদা, নাহুৎ নরেংদা, ইপাল থৌরমদা খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ফমশক কৌদুনা নুমিৎ কয়ানি থা কয়া তানরম্বদু তাখিদ্রে । শৈশকপা শৈশকপী ওঝাশিংসু অয়াম্বনা থুপ্নখ্রে। ওঝা নাইনা তম্বা চৎনরম্বদু চৎনখিদ্রে । খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈদদি নুপাগা নুপীগা শৈশকপা মশীং খরা মান্নরপ শক্নে । পেনা ঈশৈদনা অমুক নুপা ঙাক্তগী শিনফম ওইরকখি। পারফোর্মিং আর্ট অসি ঙসিদি তন্বীনবা ওঝাসু মশীং খুৎ থেক্তুনা পাবদা লৈরকত্রে। তন্বীয়ু হায়না থৱায় য়াওবা মহৈরোইসু ইথোক থোক্লরকখিদ্রে । আর্টফোম অসিগী মরুওইবা, মসিনা নাৎকী মশক তাকপদা লৌরিবা থৌদাং, শৈশক-শৈদা মখল মওং, লোন্দা পুদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া অসি থিজিনবদগী খঙলক্তুনা খোংজোম পর্ব্বদা য়াওরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মচল, মণিপুরী খুন্নাইদা পাঙথোক্লিবা থৌদাং কয়াবু নৈনবদগী হীরম অসিদা ডোক্টরেট সাইখোম রোবিন্দ্রোনা ২০০৭দা অহানবা দিগ্রি হোলডর ফংবা মী ওইখ্রবনি।

শৈশকপা শৈশকপী কয়া মাঙলমচৎতগী লৈরকখ্রবসু মখোয়না শক্লিবা ঈশৈ নৎত্রগা খোংজোম পর্ব্বগী মরমদা নৈনবা তম্বা য়াবা, খঙনবা পাবা য়াবা লাইরিক্তি ইরৈ লৈনখিদে। হৌজিক ফাওবদা খোংজোম পর্ব্বগী ফোঙলবা নৈনবা য়াবা লাইরিক হায়বা তারগদি হৈস্নাম মঙ্গোলজাওগী খম্বা থোইবী লাইরিক অনী, সোইবম থোইবনা ইদুনা ফোংবীখিবা লাইরিক খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈদা (খোংজোম লান) অসিনা ওইরি। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈগা মরী লৈননা ক্রিটিকেল এসে ওইনা ফোঙলবশিংদি ডা হামোম নবচন্দ্রগী মণিপুরী ঈশৈ ৱারী অমসুং খুন্নুং ঈশৈ/খুৎলং ঈশৈগী শৈরোল খরা (২০১৬) অমদি খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি হায়বা ডা সাইখোম রোবিন্দ্রোনা ইদুনা ২০১৫ তা ফোঙখিবা অসিনি।

খোংজোম পর্ব্বগী মরমদা ঈশৈগী শৈশক, শৈথা কুপ্না নৈনবা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা লাইরিক অমা হৌখিবা জুনগী তাং ৫,২০১৯ অসিদা খুমন্থেম সুন্দরি মশানা ইবীদুনা ‘খোংজোম পর্ব্ব মোইরাং কংলৈরোল শৈশক- খম্বা থোইবী অহানবা শরুক’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ইম্ফালগী গোর্ভনমেন্ট ডান্স কলেজদা ফোঙখ্রে । লাইরিক অসি ইদুনা ফোঙবীখিবী খুমন্থেম সুন্দরি মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অসিদা লমদমসিগী মশক নাইরিবী শৈশকপী অমনি। ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট অসিদা ১৯৬১দা তাইবং ফাওরকখিবীনি। মশাগী চহী য়াম্না নৌরিঙৈদগী থাঙ্গ মঙ্গোলজাও হায়রগা লৈপাক্লা খঙনবীখিবা ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাও (হৈস্নাম ইবোতোন) গী মফমদগী খোংজোম পর্ব্ব কংলৈরোল শৈশক অসি তমজরকখিবীনি। ওঝা মঙ্গোলজাওগী চপ চাবা খোন্থোক, শৈশক শৈদা চূনা লৌহৌখিবী খুমন্থেম সুন্দরিনি। মশাগী চহী ১৫মুক শুরকপা অদুৱাইদগী লৈপাক্লা খঙনবীদুনা মাঙ্গোল খূদিং শৈশক তম্বা হৌরকখি। চহী নৌনা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী খোংজোম পর্ব্ব শকপী ওইরকখি। হৌজিক বি হাই গ্রেদ আর্টিষ্ট ওইরি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০১০, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পীবা কল্লাসনা রাজকুমারী নীংশিং মনা ২০১৮ অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা সেনিয়র ফোলোসিপনচিংবা লেমজনিংঙাই মনা কয়া, উপাধি কয়া ফংবীখ্রবনি।

মশামক্লা লীঙখৎচবা গুরু সিষ্য ট্রেডিসন্দা মহৈশঙ ‘কংলৈ শৈশকলোন শিন্দমশঙ’ কৌবা অমা হাংদুনা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ কাঞ্জুল মুৎখিদনবা হোৎনজরি। ফোঙলিবা লাইরিক অসিমক আর্ট এন্দ কলচরগী শেন্থংগী মখাদা মহাক্লা লীংখৎচবা শিন্দমশঙসিনা ফোঙদোকচবনি। মহাক্কী শিন্দম শঙ অসিদগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা য়াম্না তাঙনা নুপা শৈশকপা অমা ওইনা য়াওরিবা থৌচোম বুধা লাইরিক ফোঙবা নুমিৎসিদা খোংজোমপর্ব্ব শক্তুনা মীয়ামদা মতেক অমা থৌগল তৌখি। মহাকসু হোৎনরগদি শোয়দনা মাঙলমচৎকী অহল-লমন অমদি তম্বী তাকপীরিবা ওঝা সুন্দরীগী মঙাল ফংগনি থাজজে। লাইরিক অসিদা খোংজোম পর্ব্বগী পুৱারী, শৈশকলোনগী মখল, মশক, য়ৈগদৌরিবা ধোল্লোক মশক তাকপা, লৈপাকসিগী মীয়াম্না শোন্নখিবা মশক নাইখিবা খোংজোম পর্ব্ব শকপীখিবা অমদি শকপীখিবী ওঝাশিংগী মরমদা শুনবা ইরি।

লাইরিক অসিগী খুৎইদা অইবীনা, খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈবু শিনফম অমা ওইনা শক্লবা তম্লগে খনবশিংগী মফমদা, মমুৎতানা খঙনবা মওংদা লাইরিক অসি য়াম্না একাদেমীক ওইনা ইবীরকপা থেংনজৈ । খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈসিদা শীজিন্নরিবা শৈশক মখল অসি য়াম্মী। ঈশৈ ঙাক্তা শকপা নত্তবা হায়শক ওইনা, করিগুম্বদনা মোনোলোগ ওইনা শীজিন্নদুনা অতাবা মীওইশিংদা থৌদোক, ঙাঙনরিবা মীশক, মখোয়গী মওং মতৌ অদু মীৎতা শঙ শঙনা উহনবা ঙম্নবা শাজৎ অমা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈসিদা লোয়নরি। খোংজোম পর্ব্বদি ঈশৈগী পারা ফাবা ঙাক্তনা য়াদে, শক্কদৌরিবা ঈশৈ অদুগী শৈশক, মদুগা নক্লা শাজৎ (আর্ট এক্তিং), খুলাম্থোক মওং (প্রজেনটেসন ষ্টাইল) অদু হৈশিংনা মীয়ামদা লাম্থোকপা হৈবা মহৈ অসিসু মরুওই। মসি খঙনা ইশৈ শকত্রগদি নুংঙাইহনবা ঙমদে। হৈস্নাম মঙ্গোলজাও লম অসিদা মায় পাকখ্রবা শৈশকপনি। নোংথোম্বম কুলিজাও, ৱাংঙু অমোম খোংনাং, নামৈরাকপম ইবেমনি অসিনচিংবশিংসি মশাগী তোপ তোপ্পা মফম অমম খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈদা কনবা ঙমখ্রবা লৈপাক্কী শৈশকপা ঙাক্তনি। মিহুল, নাক য়েৎক ,অকোয়বগী ফিভম মওং খঙনা খোংজোম পর্ব্ব শকপীবা ওঝাশিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌনরকই । মওংশিং অসি তাক্তুনা ময়াম্না অমুক খঙনবা ওঝা খুমন্থেম সুন্দরিনা হন্দক পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদা য়াম্না কূপ্না হাপ্লি।

মোইরাং কংলৈরোল শৈশক য়াম্না পাক চাউই। নুমিৎ কয়ানিমুক শকপা য়ারিবা ঈশৈনি। লাইরিক অসিগী মপূং ওইবদি মোইরাং কংলৈরোলদা খম্বা থোইবী অহানবা শরুক শাগৎপনি। খম্বা পোকপদগী হৌই। ঈশৈ হৌবদা চৎনরকপা শৈহৌ, পুংগী মরোল পরিং, ইবুধৌ থাংজিংবু শৈথাজবা, লোক্তাকপু শৈথাজবা অমদি লৈপাক মীয়াম শৈথারগা ৱারীগী পরিংদা চঙশিল্লি। অইবীনা মহাক্কী খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈগী লাইরিক অসিদা মচা খায়না কুপথনা ইনবা হোৎনবদা মথং মথং- লোই শৈশক, লোই তাল পুংঙলোন, শিকপ শৈশক, ৱারী, খুল্লং শৈশক্তা- খুল্লং অতেনবা,খুল্লং অশাংবা, কায় শৈশক, জাৎ শৈশক, কালেন চৈজিং শৈশক, মেনকুপ অয়াঙবা, ভৈরিবী শৈশক, সৌকা পুঙলোন, খেম পুংলোন অমদি ভঙ্গা পুংলোন অসিনচিংবা কয়া শুনবা মমিং মথা তাক্তুনা শীজিন্ননবা ইরি। কয়াৎ শৈশকশিং অসি করিনা শম্নহনবগে হায়বদা ৱারী অমমম্না শম্নহল্লি ।

খোংজোম পর্ব্বদা ৱারী অসি য়াম্না মরুওই। ৱারী অসিনা খঙহল্লিবসি য়াম্মী । হৈস্নাম মঙ্গোলজাও মীগী মতৌ তম্বা হৈ। উচেক ৱায়া খোংবা, নুংশিৎ শিৎপা, শগোলনা খোংবা কয়া কয়া মিমিক তৌদুনা মরক্তা হাপচিল্লিবনি। ৱারীদা অসুম লীদুনা লৈবা য়াদে ঈশৈনা মফেল ওইনা শৈশক শুনবা ঈশৈ অমদি ড্রামা ওইনা অমুক ফেনজিল্লি। পুংলোনগা কোন্ননা ঈশৈ অমুক চৎলি। ৱারী অসি হায়নবা হোৎনরকপদা ড্রামটিক এলিমেন্টস ময়াম অমা অমুক শৈশকপনা য়াওহন্দুনা মথেল অমা ওইনা অতাবশিংদা নুংঙাইনবা হাপচিল্লি। ৱারী লীরকপগী মতাংসিদা শীজিন্নরিবা ষ্টাইল অসিদি ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাওগী ওইনদি তোঙানবা অমনি। মওং, ষ্টাইল অসিমক অমুক মহাক্কী অশেংবা অচানবা মহৈরোয় খুমন্থেম সুন্দরি অমদি মাইবম তোম্বা (লমজাও তোম্বা) অনীসিদদি চুহৌরে। মসিদি তোঙানবা পীথোকলকপা অমনি। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শকলকপদা হোং হোংদুনা শীজিন্নরিবা তাল, শৈশক কয়া লাইরিক অসিদা ইথোক্তুনা তাক্লবা হোৎনরি ।

খুমন্থেম সুন্দরি লাইরিক ইবী অইবী অমা মাঙলমচৎতা ওইরকখিদে অদুবু হন্দক পুথোকপীরক্লিবা লাইরিক অসিনা খুমন্থেম সুন্দরি খোংজোম পর্ব্ব শকপদা নত্তে অইবী অমসু ওইবীরবনি। মসি য়াম্না তাঙনা থোকপা অমনি। শৈশকপী ওইরকপা অদুনা মীঙোন্দা খঙহনবীনিংলিবদু মফম চানা- শৈশক, ৱারী, তাল খায়না, ৱারী হায়বা অমা মরুওইনা য়াওহন্দুনা লাইরিক অসিদসু ইথোকপীরকপা ঙল্লিবনি। হৌজিক্তি লাইরিক মখা তানা ইদুনা থম্বীরম্নবা অইবগী মফমদা পূক্নীং থৌগৎচনিংঙি । লাইরিক ওইনা লৈহৌদবদগী ঐখোয়গী পারফোর্মিং আর্ট খরগী মশক, মতীং খঙদনা মাঙখিবা য়াওরবনি। খোঙ্গুল লীবদা ফংদ্রবনি। মাঙজরিবসি ঐখোয়তনি। খুমন্থেম সুন্দরিগী খোংজোম পর্ব্বগী লাইরিক অসি তমখৎচরক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক মতেং ওইরগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## মীগী মমল

“য়াম্না নোক্লিংবা ৱারী অমা লৈ, ইমাদু নীংশিং নীংশিংলগা ইথন্তা পংনোক্তা নোকপা শান্নৈ।”

“কৈনোনে হায়রিসিবো ফোন্দা গেম শান্নগে শান্নৌ, দুরি শান্নগে শান্নৌ, নঙনা নোকপা শান্নৈ হায়সিবু কমাই তৌজাৎনোনে”

“নোকপা শান্নবা হায়দি, ৱাখলসি ফুম্বংনরকান্দা ঐনা তাখিবা নোকনীং-নোক্লিংবা ৱারী নীংশিংলগা নোকপগী ৱানিদা, নঙসিসু নোকপবু জ্বারগী টাইপ্তা”

“হোইনে লীরকও তারগেনে”

“ঐখোয় অদুৱাইদা অঙাং অমা লৈ,চহীবুদি ফনা য়ামজরবনি, অদুদা মাগী ব্রেনসি খরা শোনবা হায়গদ্রা, পংতক তৌই।

“উম! লৈবনি লৈবনি অদুগুম্বা মী য়াম লৈ, পংবা হায়সি শিংদবদুনি”

“ঐখোয়গী লৈকায়গী লম্পাক্তা সেকেন্দ হেন্দগী পোৎ চৈ ময়াম অমা য়োনবা লাকপা, ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাও, মোম্পাকফিদক, শাটিন, খোঙউপসু শুরে”

“মমাঙঙৈদদি সেকেন্দ হেন্দ হায়বসি খরা ইকায়নরম্মী, হৌজিক্তি সেকেন্দ হেন্দগী পোৎনা হেন্না ফৱকপদৌনা তৌবসিদা, কনাগী লৈশাবীসু, পাখঙসু পংলৈদা লৈনরে। সন্দেদগদি লম্বী চৎফমফাও লৈতে বজারদা। য়াম লেম্নরে”

“হোয়নে ৱারীসি নঙ লীগে লীরো, মরক য়াম থৎলকখিনু”

“হোয় হোয় লীরো লীরো তারগে”

“ঐসু খোঙউপ অমতা য়েংগে হায়দনা পাকথরগা খল্লিঙৈ তাঞ্জাদুদা হৌজিক্কী অঙাংদুনে, মনে অমগা থোরকই। মনেদু বিনো কৌই, লৈশাবীনি। লৈকায় ওইরসু ঐগা খরা ইকায়নবীনি, মাসু ঐবু য়েংবা, ঐসু মাবু য়েংবা, কৈনোদি খঙদবা। মাসু খোঙউপ অমা খনগদৈ পাকথরকই। পাকথরকপদা ঐখোয় অনী কোক হেক মীৎকা মীৎকা মীৎচানরে”

“উম! ৱারী নুংঙাইরনি”

“তা’থোই, খোঙউপ য়েংঙম্মীরা?

ঐসু কনানোনে মী উনেনা খোঙউপ লোন্না খল্লিঙৈসিদা হায়না য়েংথোক্লুবদা বিনোনা মাগী খোইরুম মীনোক্তু তৌরগা ঐবু য়েং লৈরম্মে। ইচিন থি হায়নি ইশাসি শ্বাই হেক লাউবজাৎনি। খোঙদগী কোক ফাওবা জিং লাউবা অমা য়াঙনা চেনখৎখি, লৱাইগী অদুৱাইদা জিং অদু লোইখি।

“ঔ! নঙসু য়েংদোইৱা?”

“ঔ! য়েংগে”

য়েংনরে, মানা নুপীগী, ঐনা নুপাগীদা। ঐদি অপাম্বা থোইনা য়াওদে। অমখক ফজরে হায়না য়েংলুবদা খোঙয়াগীদুদা খিত্তং পোজ তাদবা অমা লৈরম্মে। অমমুক য়েংই। বিনোদি মানা পামজবা অমা খল্লবা মাল্লি। মপুদুদা হংখি।

“সিবু কয়ানো?”

“লুপা ৬০০ হায়বনি, ৫৫০ পীবিরম্মো?

“অসসস য়াম্মনদ্রো অদুদি?”

মাগা লাকমিন্নরিবা খিতং পংতক তৌবা অঙাংদুনা থোক খুম্মকই, “তাঙইহে অদুদি, নেনেনা খল্লিবা খোঙউপসিনা ঐখোয় ইমাদগী হেন্না তাঙই”। অঙাংদুগী ৱা তাবদা ঐ কৈনোনে হায়না খল্লি। “তুমিন লৈয়ুহে” বিনোনা শোন্না হায়খিবদু হায়রপ তাহৌই। অঙাংদুদি হেন্নবু হৌগৎলকই।

“তাঙই নেনে, ঐখোয় ববানা নহান ভোট নুমিৎতা য়াম্না চৈ লুপা ২০০দা য়োম্থোকই হায়না”।

“তুমিন লৈয়োমী” বিনোনা চৈথৎলি।

“চুম্মী ইবুংঙো নঙনা হায়বা, হন্দক মণিপুরগী তম্পাক্কী মী অয়াম্বা লুপা ২০০দগীনা ৩০০ ফাওবদা লোইনা য়োম্থোক্লখ্রবনি” পোৎ য়োল্লিবদুনা হায়রকপনি। ঐগী মাঙদা বিনোদু ইকায়রমাল্লে, শেল পীরম্মগা অদুম তুমিন থোকখ্রে। ঐসু খলহৌই, ভোটতা ঐখোয়না ইশানা ইশাবু য়াম্না হোঙনা হোঙনা য়োম্থোক্লিবসি ফৎতি ফত্তবজ ৎনি। হায়রিবা ঐসু লুপা ২০০ লৌরগা ভোটথাদখি। চহী মঙাদি ঐখোয় ইশাগী রাইট খঙদনা লৈখিবা তারি।

- *নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## পৈশাবু মীরায়গনু, য়াইফ থৌনি তৌখো

করিগুম্বা লন্দন চৎলবদি ময়োল্লম অসিগী ওইনা লীরবা লাইরিক য়োনফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফোয়লগী মফমদু চঙবীয়ু। ঐনা মালেমগী অতৈ লাইরিক য়োনবা মফমশিংদা থেংনরকখিবা পূম্বা অদুদগী মসিগী উফুল তৈরবা লাইরিক খারাশিংদা থেল্লিবা ময়াম অদু মশক মমিং খঙদোকপা ওইনা পাথি তৌবনা হায়বদি পানা পানা থিবনা হেন্না কান্নবা ফংই হায়বসি ঐনা থেংনবদগী খঙলক্লবনি। ইশানা মতেং পাংজবগী হীরমদা কৎথোকচরবা মহৈরোয় অমা ওইরুবনা মফম অদুদবু চঙলবদি হায়রিবা হীরমসিগী লাইরিক থম্ফম অদোমদা হেক্তা ইশাবু চিংশিনখি। ঐনা অয়াম্বা মতমদা থিরিবদি মীনা কয়া তানদবা, হিংবগী কলাগী মরমদা অনৌবা ৱাখল পীবা ঙম্বা, ঐ ইশাগী ওইনসু হিংবগী মঙালবু হেনগৎহনবা ঙমগদবা মখলগী লাইরিক অদুনি। ফোয়লগী লাইরিক য়োনফমদবু চঙলবদি অমদি হেক্তা মথেংনৈ।

চহী খরগী মমাঙদনি, লাইরিক অমা থেংনখি - *ব্রিং আউট দি মেজিক ইন য়োর মাইন্দ* কৌই মমিংনা। চহী কুন্থ্রামুক্কী মমাঙদা অল কু’রান কৌবা অমনা ইখিবনি। মহাকসি মতমদুদা “দি ফাইনেষ্ট মেন্টল মেজিস্যয়ান ইন দি ৱর্ল্ড” অসুম্না খঙনখিবা মীওইনি। “লনথুম য়োনবা” হায়না মিংথোনবা পন্দুপ অমদা মহাক্লা অসুম্না ইরি : “পৈশা পীথোকখিবা মতমদা পৈশাদুদা য়াইফ থৌনি পীবা কাউবীগনু। পৈশা অদুদা মহাক্লা য়ৌরুবা খুদিংমক্তা অমুক্কা য়াইফ থৌনি পীবিরম্নবা হায়খো, কোয়না চত্তুনা অরাম খৌরাংবশিংবু মবুক থলহনবিনবা, ফিরোল শেৎপা য়ৌনা ফংজদ্রবশিংবু ফিরোল পীবিরম্নবা হায়বিখো, অদুগা সিমসু কাউদনা শিন্নবিখো অমুক হল্লকউ হায়দনা, মদুসু শরুক লখা অমা হেনগৎতুনা হল্লকউ হায়বিখো। হায়রিবসি লায়না খনবীগনু, অরুবনি ঐনা হায়রিবসি।”

লাক্লিবা নোংজাশিংদা অল কু’রাননা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ইনবদা করি কায়বগে, করি তৌবগে য়েংসিদনা? চান-থক্লবা লৈবদা খোঞ্জেলদি থোক্তনা মহৈ-মরোং পুথোকপীদুনা ফংহনবীরিবশিং অদুগী য়াইফ থৌনি তৌবিয়ু; লৌমীশিংনা থারগা পুথোরক্লিবনি, পোৎ থারবা মীনা পুরক্লগা ষ্টোর ক্লর্কশিংনা য়োন্দুনা নঙোন্দা য়ৌরকইবনি। ইচাশিং মহৈ তম্বগা মরী লৈননা শেলচে, চ্যেক ইবা মতমদসু অঙাংশিংগী ৱাখল মহৈগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা মতম পূম্নমক্তা হোৎনবীরিবা ওজাশিংবু ফোংনমক নৎত্রবসু থম্মোয়নুংদা থাগৎপীয়ু। মখল শুনা য়োনবা দুকান অমদগী মেগাজিন অমা লৈরে হায়না খল্লসি, মদুগীদমক পৈশা শৎতোকপা মতমদা কাউন্টরদা লৈরিবা মদুবু ফংহন্নবা হোৎনবগী মথৌ তৌরিবা মীওই অদুবুসু পূক্নিংদা থাগৎপীয়ু, পীরিবা পৈশা অদুনা মহাক্কী মপুন্সিদা চাওখৎপা নুংঙাইবা পুরকপা ওইসনু খনবীয়ু। চুমদুনতা লৈরবা ৱা অমা লৈরিবনি, “পীথোক্লিবা খূৎতুনা লৌশিনবনি।”

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্ম্মাগী লাইরিক ‘নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?’ হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

## লীলা লীলা

ঙসাইমখৈ মল্লম্বা মৈ ঙাম্থোরকই।

লীলা লোইরে।

ভাবোক য়া কায়রকই। লমলক্তা শাবা হয়িংখোই মকোন্দা নূংদুম মচা অমনা পোপ থারুবদু মঙাই। মীনিলনা ড্রুং ড্রুং নিল্লকই। কনানোমনা মাই মরুপ্লা কনাবুনো অমা মিং পন্দুনা কৌবা তায়।

‘..., হোলগী মপান্দা ঙাইরমখোহে।’

মতমদুদা ঐ অঙাং ওইরি। অঙাংদা অঙাংমক্তি নৎত্রসু। লৈকায়গী ইয়াম্বা অমনা পুবিদুনা য়েংলুবা পিকচরনি। ঈশিং ঈচেলদা শীংনাং মতেক তাওথবগুম লীলা লোইবগী ভাবোক্কী ঈচেলদা তাওথদুনা সিনেমা হোলগী মপান থোরকই। য়ূমদা হন্নবা। লীলা লোইদুনা।

লীলাদু - ঐনা য়েংলুবা লীলাদু মফম মরাং খঙদে। হৌরগা অদুম হেক্তা লোইখি। লম্বী চৎনা-চৎনা ... না (লমজিংবিবদুনা) হংই,

‘নুংঙাইব্রা?’

নুংঙাইতে হায়রদি অরানবা পাউখুম ওইনি খল্লি। অদুনা তিংনা, শেংনা খুম্মী,

‘খঙদে।’

খঙদে হায়সিনা নুংঙাইতে হায়দৈ ঐগী পূক্নিংদা ফাওরিবা ইহুলদু হেন্না নক্লা ফোঙদোকপা ঙম্মী খঞ্জখি।

লীলাদু- ঐনা পিক্লিঙৈদা য়েংলুবা লীলাদু খঙদে। ইশম শম্নদে। ৱারী পরিং নাইদে। হিরো য়াওদে। হিরোইনসু য়াওদে। মশক ফজবা অমত্তা উদে। ফিরোল ফজবা অমতা শেৎ চাদে। মীচম ঙাক্তনি। তিং লাউবা এক্টিং অমতা তৌদে। ঐনা নুংতিগী স্কুলদা লমজাওদা লৈকায়দা উবা অদুগুম্বা মী ঙাক্তনি। ৱারী শানৈ। মতাং অমদা নোকই। চায়। থকই। অৱাই অখুম তান চানদে। অমা হংলগা অমা খুম্মী। অমনা ঙাঙলিঙৈদা অমসু য়াওশিল্লকই। হিরো য়াওদবা নুংতিগী অয়ূক নুমিদাংগী পুন্সিদা থেংনরিবা উরিবা লীলাসিগুম্বা লীলানি। মীচমগী লীলানি। পরিং নাইবা ৱারী হায়দি পিক্লম্বদৈ চাওখৎলকপা নৎত্রগা হনুরকপা নৎত্রগসু পাখং অমগা লৈশাবী অমগা লৌনশি লৈনশি হায়নরগা মমৈদা লৌনবা নৎত্রগা লৌনদবা ৱারী নত্তে। ৱারী পরিং নাইদবা সুম্বা ৱারী লৈবা য়াবদি লীলাদু মদুমক্লি। ৱারী য়াওদবা ৱারীগী লীলানি। খোঙনা লৈপাক্তা তক তক তান থারগা খূৎকাপ্পী তেক তেক কাপ্তুনা ঈশৈ মতেক অমতং ঙংহন্নীংই। ঙংদে। কাউবা ঙম্লোইদবা দাইলোগ মতেক অমতং তানীংই। ফাগী অমদা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই কাউথোক্তুনা য়া লাউনা নোকথোকনীংই। ইয়ৌ য়ৌশিল্লক্তনা অদুম লোইখ্রে। মী শিখিবদৌনা। শিখ্রগা অদুম লোইখিবদৌনা।

দিরেক্টর অমা লৈবজাৎলা লীলা শক্তাসিগা হায়রুবদি। ঙসিদি খঙনীংই লীলাসিগী দিরেক্টরদু খঙনীংই। হংনীংই। মানা পাল্লিবসি করিনো। অয়ূক নুমিদাংগী ঐনা থেংনরিবা ইশম শম্নদবা, মপূমদা য়েংলসু মচেৎতা য়েংলসু লংলা লংজিন খঙদবা, মাঙগী খঙলুদ্রসু য়ারবা তুংগী খন্থনীংঙাই ওইদ্রবা অদুগুম্বা লীলারা। মদুমক্তা মওইরবদি লীলাদো লীলাদি লীলানি। পোকপদগী রাশি য়াওদ্রবা মাইথোংদা রাশি হাপকে খল্লুরিবা ঐগীসু ইৱাল লৈরোইদ্রা? লীলা য়েংবা হৈতবগী। কনা কনানো খরনা করি করিনো খরা ঙাঙলগা করি করিনো খরা তৌরগা কোক হেক লোইবা লীলানি। লোইরগনা লোইরেদনা। মী ফাওবা শিনরি। শ্বর হোনবদৈ হৌরগা স্বর লেপ্পদা লোইবা। ঙমখৈ অনীসিগী চৈরক্তনি মৈ ঙাইহাক মম্লুরিবসি। লীলা য়াওবা মী অমতা মতীং ফুদোক্তনা লীলা হেক্তা লোইশিনবা লীলা। ঐনা হায়জবদুনি ইমা ঐ হায়জবদুনি। য়েংজনীংনা য়েংজবা লীলানি। নুংঙাইতে হায়বদি চান্নদে। খঙদে হায়রগা পকচৈ।

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*